HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা 'ৱর্ল্ড ফর্ষ্ট এইদ দে' গী থৌরমদা শরুক য়াখিবা নহাশিংবু আই আর সী এসকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা শকখঙ চে খুৎশিন্নবা


থম্মোয় পাউদম : ঐ... কোক অসি ঙাওরক্লে ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ মনাদা হার চাইবা অমসুং মসিগী কান্নবা
নোংজুথা মতমদা ব্রোইলরশিং শেন্নবা ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর ১দি সী এ য়ুগী দিরেক্তর ...
নুমিৎ নিনিগী মনুংদা ফম থাদোক্লগনি, দেল্লিগী মীখল... ☛ লামায় ৯
লামায় ১০ ☛ এস দব্লিয়ু সীনা এ আই এফ এ মায়থীবা পীরম্লগা...


লোইশিন্দ্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান হৌরকখিবা নুমিৎ লৌরদুনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা পুথোকপা লীলা 'থর্দ মে' গী প্রেস শো শুমাং লীলা শঙলেন্দা উৎতুনা মচন্নুপী লুহোংবগী অউনপোৎ মবুংনা নোংমৈ ওইনা পীখিবা




Vol. 48, Issue No. 164 | নিংথৌকাবা, লাংবনগী ১৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, September 16, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## ককৱাগী ৱাথোক : জেনরেল ষ্ট্রাইক্লা মহৌশাগী ফীভম কায়হনখ্রে

# জে এ সীগা সী এমগা ৱারী শানবদগী খোঙজং তেনশিনখ্রে

## য়ূম্লক্তা টিয়র গ্যাস কাপশিল্লরোই, চেন্নবা পুলিস এক্সন লৌগনি হায়রকখ্রে





**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১গী নুমিদাংদা ককৱাদা প্রোটেষ্টেরশিংবু লাকশিন্নবনি হায়দুনা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পদা মসিগী মখোল অমসুং মনম্না ককৱা নাওরেম লৈকায়দগী থা ৯গী অঙাং নাওপুরকখিবী লাইশ্রম নিঙোল নাওরেম ওংবী সঞ্জিতা মশা শোকচিল্লকপদগী হৌজিকসু রিমসকী আই সী য়ুদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরকপগা ইরোয়ননা মহাক্লা নাওপুরকখিবা অঙাং লৈখিদ্রে হায়দুনা খূৎশিন্নরকপদগী ঙরাং শেমখিবা জে এ সীনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী হৌদুনা চত্থরকখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজংনা মহৌশাগী ফীভমদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে।

মরু ওইনা থৌদোক থোক্লিবা মফম অসি ফাওদুনা চৎলিবা এন ঐচ-১০২ (ইম্ফাল-মোরে) লম্বীদা খুন্তাক লানশিখি। খোঙজং শৌগৎপশিংনা লম্বীদা টায়রনচিংবা মৈ থাখি, নৃঙ পৈশিন্দুনা অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিমসকী আই সী য়ুদা সঞ্জিতাগী ফীভম



সঞ্জিতানা নহা ওইরিঙৈগী শক্তম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাংৱাইরম থোরকখিবা চেরোল অমদা হৌখিবা পুং ৬তগীনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০দা লাইশ্রম নিঙোল নাওরেম ওংবী সঞ্জিতা (৩৪) গী পলস-১২৪/মিনট, বি পি-১০৮/৬৬এমএম ঐচজি, এস পি ও ২-৯৫%, য়ুরিন আউটপুটনা ৫০-১২০ এম এল/অৱর ওইখি হায়বগা লোয়ননা মহাক ভেন্টিলেটর সপোর্ট অমসুং আইওনোট্রোপস পীরি হায়না রিমসনা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরদা এন আর সী চৎনহনগদ্রা হায়না পার্লিয়ামেন্টতা অমিট শাহদা হংগে হায়বদা হংহল্লকখিদে : এম পি বিমোল

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা এন আর সী চৎনহনগে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈবিব্রা নৎত্রগা থৌরাং তৌবা লৈব্রা হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা এম পি অমা ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা ক্বেসন হংনবা থাজিল্লুবদা ক্বেসন অদু হংহল্লকখিদে হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দেল্লী মীতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (দি এম সী সী) অমসুং কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) না শীল্লগা মীতৈ এলাইএন্স, গ্লোবেল মণিপুর ফেদরেসননা শৌগৎতুনা ন্যু দেল্লীগী জন্তর মন্তরদা নুংথিল পুং ১ তারকপদগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা চত্থখিবা অপূনবা প্রোটেষ্ট অমদা শরুক য়ারদুনা এম পিনা ফোঙদোকখিবনি।

খোঙজং অসি চিন-কুকি টেররিষ্টশিংনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা এরিএল বোমিং চত্থরক্তুনা মীচমশিং অশি-অনা থোকহল্লকপা অমসুং মসিগী মায়োক্তা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংবু শৌগৎলদুনা চত্থখিবনি।




মহাক্লা মখা তানা হায়, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ফূবদা শিরবা মীওই অমা সেকমাইগী সী ঐচ সীদা পুরক্তুনা থম্লম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** সেকমাই পি এসকী ও সীনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৪৫ তারকপদা অৱাং সেকমাইগী সী ঐচ সীগী এম ও ডা. এন লময়ানবনা তৌরকপা রিপোর্ট অমদা মশক খঙদবা অশিবা হকচাং অমা কেমোফ্লেজ য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংনা ব্লেক-ব্রাউন মচুগী বোলেরো অমদা হাপ্তুনা পুরক্লগা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা সী ঐচ সী অসিদা থম্লম্লে হায়রি। মীওই অদু মখূৎ য়েৎ, য়েৎ থংবা লেংজুম, খোঙ অনীমক অমসুং ফৈন্গান্নচিংবদা শোকপগী মফমশিং লৈরম্বগা লোয়ননা নাহি তারম্লে হায়রি। মহাকপু পুরক্লিবা মীওইশিং অদু নাম্থোক্তুনা চৎখ্রবসু ঈ সী জিনচিংবা লৌবদগী মহাক শিরগা পুরকপনি হায়বা খঙলে। মীওই অদু চহী ৩০দগীনা ৩৭ লোমগী মনুংদা লৈগনি। থা অসিগী ১৮ ফাওবদা ক্লেম তৌরদ্রবদি দিস্পোজ তৌখ্রগনি হায়রি।

## মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিস শোক্লবা তৌবীগনু : এন হেরোজিৎ, দি আই জি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** মীয়াম্না দিমান্দ তৌবা মতমদা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা অদুম তৌবীয়ু অমদি নন ভাইওলেন্সকী মওংদা তৌবীয়ু, পুলিস অসি য়েক্লবা নত্তে। লৈরিবা পুলিস ময়াম অসি ইয়াম্বা, ইনাও, ইখুরা-ইতোন ঙাক্তনি হায়না মণিপুর পুলিসকী দি আই জি রেঞ্জ ১ এন হেরোজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।



পুলিসকী গাড়ীদা কাপশিল্লকপা নোংমৈ মরূশিং পানখিবা

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুর কন্নবগীদমক চোঙথোক্তুনা থেংনবীনবা লুচিংবা লৈত্রে : সী পি আই

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর কন্ননবগীদমক অমসুং ইরমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবগীদমক চোঙথোক্তুনা থেংনবীনবা লুচিংবা লৈত্রে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী হান্নগী ষ্টেট সেক্রেটরি অমসুং ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী), মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইরাবত ভবনদা সী পি আই, মণিপুরগী কৈশামথোং লোকল কাউন্সিল অমদি ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবা কম্যুনিষ্ট লুচিংবা 'বিপ্লবি থোকচোম বির' গী ৯৮শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

কম্যুনিষ্ট লুচিংবা অসিনা হায়, মণিপুর কন্নবা অমসুং মসিগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা চোঙথোক্তুনা থেংনবীনবা লুচিংবা লৈত্রে। লুচিংবা ওইরিবশিংনা মরন্নাই কান্নবগী খন্দুনা মিনিষ্টর/এম এল এ ওইরগা, ব্যুরোক্রেট ওইরগা মশাগী কান্নবা লৌহৌরগা লোইরে, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপগী ৱাখল্লোন খঙদে হায়না লৈনরে। মশাগী ওইজবদা খনবা কাঙবু অমনা লৈঙাকপা অমদি মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়না চোঙথোক্লরকপনা পুমখেন খেন্নবা তাইওন্নবা হায়বদু ওইরে হায়রদুনা লৈখিদ্রবা কম্যুনিষ্ট লিদর টি ঐচ বিরনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কন্ননবা লৌরম্বা থৌদাংশিং মরু ওইনা লময়ানবা ইরাবতকী লিচিং মখাদা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্সগী মায়োক্তা লেপখিবা খোঙফমশিং শীংথাখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লুচিংবা অসিনা মণিপুর ষ্টেটহুদ ফংনবা ঈহৌদসু অচৌবা থৌদাং লৌরম্বগা লোয়ননা মণিপুরী লোনবু কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্নবা চঙশিনখিবা ঈহৌ অমদি ইমা ইবেলশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীনা থিংজিল্লে হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা অৱাং খুনৌ গ্রাম পঞ্চায়ট (জি পি) গী মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কিম (এম জি এন আর ঈ জি এস) কী জোব কার্দ হোল্দরশিংনা শূজগদবা থবক্কী প্রোগ্রামশিং থিংজিন্দুনা থম্লে হায়রদুনা অথুবা মতমদা অথিংবা অসি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি



কম্মিস্নরনা লৌথোক্কদবনি হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি অৱাং খুনৌগী ইনর্জেটিক পাইওনিয়র এসোসিএসন (ঈ পি এ) গী কম্যুনিটি হোলদা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা অৱাং খুনৌ জি পি ৱার্দ নম্বর ৪দগী থোকচোম ওংবী মালেমঙানবীনা পাউমীশিংদা হায়, খুঞ্জাশিংদা থবক শূবা ফংহন্দবা, এম জি এন আর ঈ জি এসকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## কর্ফিয়ু কোমথোকপগী মতম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না হয়েং (সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২৪) দা অয়ুক পুং ৫দগী হৌরদুনা নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট মরি অসিদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১০দগী থম্লক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি ঙরাংনা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়রম্লগা নুংথিল পুং ২দা তেনশিনখিবনি। ঙসিগীনা অয়ুক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবদং কোমথোকখিবনি।

## পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি সেপ্টেম্বর ১৬ লাইনিংথৌ পিশাতাও ঈরাৎ থৌনীগী প্রেস ছুটি ওইবনা সেপ্টেম্বর ১৭তা পাউচে অসি পুথোকচরোই।

- মেনেজর

## প্রী-মর্জর এগ্রীমেন্ট মমাঙগী ফীভমদা হঞ্জিনজরগে : মৈরা পায়বী লূপশিং




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারী লৈজরিবা মণিপুরদা মপান্দগী চঙশিল্লকপা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অতম্লনা মণিপুরগী মীচম মীয়ামদা লান্দারক্তুনা মীহাৎ-মীপুন, মীওৎ-মীনৈ কয়া চত্থরক্লিবা থৌওং অমসুং কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী থৌওংসিদা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা তূমিন্না লৈশিনবগী থৌওং য়ানীংদে হায়রদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈবা মৈরা পায়বী লূপশিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎপগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফমসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঈরাং শাংথরবদি ইমা মণিপুর মৈ হৌদুনা চাক্লকপগী অকিবা লৈ : ৱালাল




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতাংদা মনুংদা শান্নরিবা অরোনবশিং মীয়ামদা খঙহল্লু, ঙসি ফাওবা লোইশিন্দনা লৈরিবা মণিপুরগী ঈরাং অসিগী নাখৈ শেংবা তং তাবা অমা পাম্লে হায়না ৱাঙু অহল্লুপ লাইফম অপূনবা লূপ (ৱালাল) না ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী শুগুনু এ সীগী মনুং চল্লিবা ৱাঙুগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা ৱাঙু ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মণিপুরগী লানগী মায়োক্তা শিলোংগী রেদ লেন্দদা মীতৈশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** থা ১৭ চঙশিল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকউ হায়রদুনা শিলোংগী বোইসি রোদকী রেদ লেন্দসদা লৈবা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুর ভবন (রাজবারি) মমাঙদা শিলোংদা বেজ তৌবা মণিপুরী এলদর্স কন্সোর্টিয়ম শিলোং (এম ঈ সী এস) না শীন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

য়েলহৌমী মীতৈ ফূরুপকী মায়োক্তা চত্থরকপা মীহাৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কুকি টেররিষ্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূনা খুল ঙাকপা ১ পাল্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**

মমাঙথক্তসু ঙাইহাক লৈতনা এটেক চত্থরকখ্রবা মতুংদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা লাৎপাৎতা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথরকপদা অৱাং সেকমাই কৈথেলদগী থৌদাম বিরজিৎ (৩৮) অপোকপা টি ঐচ কুল্লা কৌবা খুল ঙাকপা মীওই অমা নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লে হায়রি।

মহাক্কী য়েৎ থংবা থবাক্তা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপদগী মহাক ফর্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটালদা পুখৎলক্তুনা মখা তানা লায়েং চথখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মীয়ামগী দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা মীহুৎশিংনা দেল্লীদা চরা হেনগদবনি মদু ফাওবদা তাবীদ্রবদি এম এল এদগী রিজাইন তৌগদবনি : জয়চন্দ্র

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা দেল্লীদা চৎতুনা ফংদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনগদবনি। খোঙজং অদু ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌশাদ্রবা অমদি তাদ্রবদি এম এল এদগী রিজাইন তৌগদবনি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী প্রসিদেন্টসু ওইরমখিবা মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা মসিগী হৌরকফম, ওইরিবা ফীভম মুন্না খঙগদবনি। অপূনবগী মীৎয়েং অমগী মখাদা চঙশিনমিন্নগদবনি। হৌজিক থোরক্লিবশিংসি মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওরিবা পেন্দবশিংদগীনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি 'অপূনবা অমগী' মমি তাদবগী ফীভমদা লৈরি। মানা-মানা পান্বা




অনীংবা কয়াদা চঙশিন্নবগুম তৌবনা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদনা লৈরব্রা হায়বসি হংনরক্লবনি। বি জে পিগী মণিপুর লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টি অসিগী মরক্তা ফাওবা লান অসি কাউথোক্লগা মখোয় মশেলগী ওইবা পোলিটিক্সতা চরাংনবা ফীভম অমদা অদুমক লৈরি। ওপোজিসন পার্টিসু লান অসি পূন্না থেংনমিন্নগদবনি হায়বসি কাউথোকপগুম তৌই। পোলিটিকেল ক্রিটিসিজম তৌদুনা লৈরি। সী এস ও অমা ওইনা হায়নীংবদি পোলিটিকেলগী চয়েৎনবা-চরাংনবা পোলিটিক্স কয়া অসি লৈহনবীরগনু। লৈবাক ঙাকপদা অমসুং মীয়াম কনবদা মায় ওনশিনবীরো। মরমদি মীয়াম্না থেংরনক্লিবা লান অসি থা ১৬ হেল্লক্লবনি হায়খি।

লান অসি মণিপুর মীয়ামগী মরৈবাক মরমদমদা থোকপনি। অনেকপা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগা মায়োক্লরক্লিবনি। হৌজিক্তি নোংমৈ খক্তং কাপ্পবা লান ওইরক্ত্রে। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা হায় টেক্লোলোজি য়াওরবা দ্রোন বোমিং অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইন্টর্নেটকী অথিংবা শাংদোকহনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০দা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থোরকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৩দগী ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী ওইনা নুমিৎ মঙানিগী ইন্টর্নেট অমসুং ভি এস এ টিশিং অমদি ভি পি এম সর্ভিসশিং য়াওনা মোবাইল দাটা সর্ভিসশিং অথিংবা থম্লকখিবা অদু থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা নুমিৎ মঙানিগী ওইনা শাংদোক্লে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি কম্মিস্নর (হোম) না থোরকখিবা ওর্দর অমনা হায়বনি। অদুম ওইনমক থা অসিগী ১২দা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না ব্রোদবেন্দ (আই এল এল) অমসুং এফ টি টি ঐচগী খূত্থাংদা ইন্টর্নেট সর্ভিসকী অথিংবা লৌথোকখিবা অদুদি ঙসিগী ওর্দর অসিনা কোনশিল্লোই হায়রি।

## অকক্লবা মীওইশিংদা টার্গেট তৌখিবা লৈতে : ষ্টাফ ওফিসর

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১দা ককৱাদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবশিংবু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাকশিন্দুনা তানখায়নবা হোৎনখিবগী পাউ পাউচে অসিনা ফোঙখিবদা অসাম রাইফলসনা পাউমী অমদা টিয়র গ্যাস কাপশিল্লি অমসুং পাউমীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১-৯৭৭৪৮০৩১৪৫